# অফঘানিষ্টানগী লান নংলবা ঘজনিদা লৈবা মীওই কয়া চানবা চীঙ্গাক ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরে



কাবুল, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী)ঃ
অফঘানিষ্টানগী লান নংলবা ঘজনিদা চানবা চীঙ্গাক পুশিনবগী চাং ৱাৎপনা মরম ওইরগা মীওই কয়া অৱাবা নংলে। লমদম অদুদা লৈরিবা মীওইশিং তঙাইফদবা চীঙ্গাক ঈশিং অমসুং চেঙ ফংদবনা মরম ওইরগা মীওই কয়াগী পুন্সিদা চাউনা খুদোংচাদবা থোকহল্লে হায়না লমদম অদুদগী চেন্থোরকখ্রবা মীওই অমনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

লৈঙাক্কী লান্মী অমসুং পুলিস লিশিং কয়ানা ঘজনিদা থোমজিল্লক্তুনা মীওই কয়া শিহনখ্রে। টালিবানশিংনসু লমদম অদু খুদুম চন্ননবা হোৎনরি। ঘজনি হায়রিবা মফম অদু কাবুল অমসুং কন্দহারগী মরক্তা লৈবা খ্বাইদগী মরুওইবা মফম অমসু ওইরিবনি। লমদম অদুগী অয়াম্বা মফমশিং টালিবানশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবনি। মিলিটেন্টশিংনা লমদম অদুদা লৈবা লৈঙাক্কী ওফিসশিংদা থোমজিন্দুনা বোম পোকখায়হনবা অমসুং এটেক তৌবগী থৌওং কয়া চখুরি।

লৈঙাক্লা ফোঙদোকখিবদা, নাতোগী মতেংগা লোয়ননা ঘজনি লৌশিন্নবা অকনবা থবক পায়খৎলি। অদুম ওইনমক টালিবানশিংনসু মখোয়গী খুভম অদু চেৎশিনহন্নবা হোৎনরি। লৈঙাক্কী ওফিস কয়া হৌজিক টালিবানশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবনি হায়রি।

টালিবান ফাইটরশিংনা লমদম অদুগী লৈরক খুল্লক্তা পেত্রোলিং চৎতুনা মখোয়গী তৌবা ঙম্বশিং অদু উৎলি। লমদম অদুদা হৌজিক টেলিফোনগী খুদোংচাবা ফংদ্রে। ঈ-পাউ ফাওদোক ফাওজিনগী লমদসু খুদোংচাবা অমত্তা লৈতে হায়রি।

লৈঙাক্কী পাউ মতুংইন্না লমদম অদুদা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক-শিংদা সিক্যুরিটি ফোর্সকী পার্সনেল ১০০ হেন্না শিখ্রে। অদুগা টালিবান ফাইটর ২০০ হেনবনা হাৎপা ঙমখ্রে হায়রি। লোকেল মীদিয়ানা রিপোর্ট তৌরকখিবদা, কাবুলদা লৈবা ইলেক্সন কম্মিসনগী ওফিস মনাক্তা বোম পোকখায়হন্দুনা পুলিস ওফিসর অমা হাৎখ্রে হায়রি।

ঘজনিদগী চেন্থোরকখ্রবা মীওই অমনা হায়, লমদম অদুদা লৈরিবা মীচমশিংবু অসুক্কী মতিক অৱাবা নংলে। লৈহৌরিবা মীওইশিংগী মরক্তা অশোকপা কয়া য়াওরি হায়রি। হোস্পিটাল ওফিসলশিংগী মতুংইন্না লমদম অদুদা থোক্লিবা লান অদুদা য়ামদ্রবদা মীচম ১৪০ অশোক অপন নংখ্রে। শোক্লবশিংগী মনুংদা সিক্যুরিটি পার্সনেল কয়া য়াওরি। লান অদুনা মরম ওইরগা অশোক অপন নংখিবা মীগী মশিং হৌজিক ফংলিবা রেকোর্দ অদুদগী হেনগনি হায়রি।

লমদম অদুদা ওইরিবা ফীভম অদু অসুক্কী মতিক কিনিংঙাই ওইবা অমনি। হোস্পিটালদা পুখৎলক্লিবা অশোকপা মীওইশিং অদু কিনিংঙাই ওইবা ফীভম অমা ওইরি। লোয়ননা মখোয়বু অশোয় অঙাম থোক্লরোই হায়বগী থাজবা পীবা ঙমদ্রি হায়না য়ু এন হ্যুমেনিটরিয়ন কোওর্দিনেটরগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লান নংলবা মফম অদুদা হৌজিকসু মীওই কয়া মখোয় মখোয়গী য়ুমদা লোৎতুনা লৈনরি। লমদম অদুদা হৌজিক ঈ-পাউফাওনবগী খুদোংচাবা লৈত্রি। মৈ অমসুং ঈশিং ফংদ্রে। ঈশিং ফংদবনা মরম ওইরগা মীওই লাখ কয়াদা অৱাবা মায়োক্লহল্লে। মদুতা নত্তনা হিংলিবা মীওইশিং অদুনা চাবা য়াবা পোৎলমশিং ফংদবগী অৱাবসু মায়োক্লরে হায়রি। ঘজনিগী এক্টিভিষ্ট অমনা ঙসি লমদম অদুদা থোক্লিবা থৌওংশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কাবুলদা খোঙজং অমা চঙশিনখ্রে হায়রি।

# টাইৱানগী হোস্পিটাল অমা মৈ চাকখ্রে, মীওই মাপন শিরে



টাইপৈ, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী)ঃ
টাইৱানগী টাইপৈ সিটিদা লৈবা মথোল তরেৎ ৱাংবা হোস্পিটালগী ৱার্দ অমদা থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৯ শিখ্রে। অদুগা মীওই কয়ানা অশোক অপন নংখ্রে হায়না মীদিয়ানা রিপোর্ট তৌরক্লি।

পাউঅসিগী মতুংইন্না ন্যু টাইপৈদা লৈবা হোস্পিটাল অদুগী তরেৎশুবা মথোলদা লৈবা ৱার্দ অমদা মৈ অদু হৌরকখিবনি। থৌদোক অদুদা হোস্পিটাল অদুদা লায়েংলিবা মীওই অমসুং ষ্টাফ ১৬ অরুবা ফীভমদা শোকহনখ্রে। মীওইশিং অদু হৌজিক লায়কন্নরি হায়রি।

মৈ অদু করম তৌনা হৌরকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক ৱার্দ অদুগী মনুংদা লৈবা ইলেক্ট্রিক মোভেবল বেথ অমগী ইলেক্ট্রিক সার্ক্যুইটতা অশোয়বদা লাকপদগী মৈ অদু হৌরকখিবা ওইগনি হায়বগী চিংনবা লৈ হায়রি।

ন্যু টাইপৈদা লৈবা হোস্পিটাল অদু লৈবাক অদুগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা অমসুং অনা-লায়েংগী লমদা নীংথিনা থবক তৌবগীদমক শিংথানরিবা হোস্পিটাল অমনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মৈ অদু করম তৌনা হৌরকখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক ইলেক্ট্রিক মোভেবল বেথ অমদগী হৌরকখিবা ওইগনি হায়বগী চিংনবা লৈ হায়রি।

লৈবাক অদুগী অৱাং থংবা শরক্তা লৈবা ৱাইফু হোস্পিটাল অদুদগী মীওই কয়া শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোক-হনখ্রে। নিংথৌকাবা নুমীৎকী অয়ুক পুং ৪.৩৬ তাবদা মৈ অদু হৌরকখিবনি। অনাবা মীওই ৩৩ মফম অদুদগী থংদোকখ্রে। মৈ অদু করম তৌনা হৌরকখিবনো হায়বা থিগৎপগী থবক চথখিবগা লোয়ননা চপ চাবা ৱাফম অমা খঙবা ঙম্লগনি হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না হোস্পিটাল অদুগী ৱার্দ অদুদা মৈ হৌরকপা নৎত্রগা মৈখু কারকপদা লাকশিন্নবা চপ চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎলম্বা থেংনদে হায়রি। মদুনা মরম ওইরগা চাউনা খুদোংথিবা থোকহনবগী মরম ওইখিবনি হায়রি। টাইপৈদা লৈবা বি বি সী ন্যুজগী রিপোর্ট মতুংইন্না টাইৱান্দা মৈ চাকপগী থৌদোক হায়বদু তোয়না থোকপা অমনি। লমদম অদুদা মৈ হৌরকপা ঙাকথোক্লবা চপ চাবা থৌশিল পায়খৎপা লৈত্রি। কুমজা ২০১২ তা হোস্পিটাল মৈ চাকপদা মীওই ১২ শিখিবসু লৈখ্রবনি হায়রি।

# ইম্রান খান, বিলাৱাল য়াওনা মেম্বর ৩৩১, স্পিকর অয়াসনা পাকিষ্টান নেসনল এসেমব্লীগী মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে



ইস্লামবাদ, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী):
পাকিষ্টান নেসনল এসেমব্লীগী নৌনা খল্লক্লবা লৈঙাক্কী অহানবা মীফম ঙসি পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা ইম্রান খান, বিলাৱাল য়াওনা মেম্বর ৩৩১ ৱাশক লৌখি।

থবক্তগী পোথারগদবা নেসনল এসেমব্লীগী স্পিকর অয়াস সদিকনা পাকিষ্টানগী ১৫ শুবা নেসনল এসেমব্লীগী মেম্বরশিং অদু ৱাশক লৌখি। পাকিষ্টান টেহরিক ঈ-ইন্সাফকী মেম্বর কয়া ঙসি ৱাশক লৌখ্রে। পার্টি অদুগী লুচিংবা ইম্রান খান লুচিংবা অমা ওইনা ৱাশক লৌখি। মদুতা নত্তনা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিং মরুওইনা পাকিষ্টান মুস্লিম লিগ-নৱাজগী প্রসিদেন্ট সাহবাজ সরিফ, পাকিষ্টান পিপলস পার্টিগী চেয়রমেন বিলাৱাল ভুটো জর্দারি অমসুং হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিব আলি জর্দারি য়াওনা মীওই ৩৩১ পাকিষ্টান নেসনল এসেমব্লীগী মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

ঙসি মীখল মতুং পাঙথোকপা অহানবা এসেমব্লী মীফম অদুদা মেম্বরশিংনা লৈবাক অদুগী ঈশৈ শকপগা লোয়ননা লেপখৎতুনা ৱাশক লৌখি। ঙসি ৱাশক লৌখিবা স্পিকর অদুথবক্তগী পোথাখ্রগনি। অদুগা অনৌবা এসেমব্লী অদুগী অনৌবা স্পিকর ওগষ্ট ১৫ দা খন্ননবগী মীখল পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ওপোজিসনগী মায়কৈদগী অসাদ কাইসারবু স্পিকরগী মীরেপ ওইনা থাদোক্লবা শেম-শারি। হন্দক পাকিষ্টানদা পাঙথোকখিবা নেসনল এসেমব্লীগী মীখল অদুদা ইম্রান খানগী পার্টিনা সিট ১১৫ ফংদুনা চাউনা মায় পাকখি। অদুগা অকনবা লম্বা ওইখিবা পাকিষ্টান মুস্লিম লিগ-নৱাজ অমসুং পাকিষ্টান পিপলস পার্টিনা মথংশিংনা সিট ৮২ অমসুং সিট ৫৩ ফংখিবনি।

ইম্রান খানগী পার্টিদা লৈবাক অদুগী অপীকপা পোলিটিকেল পার্টি কয়া শৌগৎলকপগা লোয়ননা লৈঙাক পায়বা ঙমখিবনি। মুটাহিদা ক্বামি মুভমেন্ট পার্টি অমসুং বেলোচিষ্টান পার্টিনচিংবা সিট ৭ তগী ১ ফাওবা ফংবা পার্টি কয়ানা ইম্রান খানদা শৌগৎলকখি হায়রি।

# সিরিয়াগী ইদলিব প্রোভিন্সতা লৈবা আর্ম দিপো মৈ চাকপদা শিখিবা মীগী মশিং ৬৭ শুখ্রে, মীওই ৩৩ শোক্লে



দমাস্কস, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী):
সিরিয়াগী অৱাংথংবা রিবেল-শিংনা খুদুম চনবা মফমদা লৈবা আর্ম দিপোদা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক্তা শিখিবা মীগী মশিং ৬৭ শুখ্রে অদুগা মীওই ৩২ না অশোক অপন নংখ্রে হায়না মী কনবা কাঙবুনা ফোঙদোরক্লি।

ইদলিব প্রোভিন্সকী সর্মাদাগী মনুং চনবা খুঙ্গং অমদা থোকখিবা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা মথোল মঙা ৱাংবা বিল্ডিং অনী নীংখায়খি। মদুনা মরম ওইরগা য়ামদ্রবদা মীওই ৬৭ হেন্না শিহনখি। লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা ৫০ দি মীচমশিংনি। অদুগা অহেনবশিং অদুনা জিহাদিসশিংনি হায়রি। পাউ অসিগী মতুংইন্না ইদলিব প্রোভিন্সতা লৈঙাক্লা চুংশিন্নবা কাঙবুনা অকনবা লান চঙশিল্লক্লি। মফম অদু মীওই মিলিয়ন ২.৯ রোম লৈরিবনি।

লান অদুনা মরম ওইরগা মফম অদুদগী মীওই কয়া ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে। সিরিয়া সিবিল দিফেন্সকী হ্বাইট হেলমেটনা হায়না খঙনবা ভল্যুন্টিয়ারশিংনা ঙসি অয়ুক খুদোংথিবা নংখ্রবা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা মী কনবগী থবক পায়খৎখ্রে।

অতেক-অকায় মরক্তগী মীওই ৬৭ কী হকচাং ফংবা ঙমখ্রে। মীওই কয়া নীংখায়খ্রবা বিল্ডিংশিং অদুগী অতেক অকায় মরক্তা লৈরমখিবা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈ হায়রি।

য়ুনাইটেদ কিংদমদা বেজ তৌবা সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটস মোনিটরিং গ্রুপনা ফোঙদোর-কখিবদা, পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা শিখিবা মীগী মশিং ৬৯ নি। মদুগী মনুংদা ১৭ না অঙাংনি অদুগা ১৪ না নুপীশিংনি হায়রি।

সিরিয়াগী ময়াই থংবা প্রোভিন্স হোমসতা লৈরম্বা মীওই কয়া থোক্লিবা লান অদুনা মরম ওইরগা ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে। ইদলিব প্রোভিন্সকী খুৎলায় পৈফম অদুদা থোক্লিবা পোকখায়বগী থৌদোক অদু করম তৌনা থোকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

# নৱাজ সরিফ অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা কোর্টতা পুথোকখ্রে

ইস্লামবাদ, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী):
পাকিষ্টানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফ ঙসি শেঙ্গা-থুমজা মরী লৈননা ইস্লামবাদতা লৈবা নেসনল একাউন্টেবিলিটি কোর্টতা অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পুথোকখ্রে।

অল-অজিজিয়া অমসুং ফ্লেকশিপ করপসন কেসকা মরী লৈননা চৈরাক পীখ্রবা মতুং কেস অদু মখা তানা হিয়ারিং চথরক্লি। পাকিষ্টান্দা বেজ তৌবা দাউন ন্যুজগী রিপোর্ট মতুংইন্না হান্নগী লুচিংবা অদু ঙসি কোর্টতা পুথোকখ্রে। লুচিংবা অদু কোর্টতা পুথোরকখিবা মতমদা পাউমীশিং মফম অদুদা চঙবা য়াহনখিদে হায়রি। একাউন্টেবিলিটি কোর্টকী জজ মহম্মদ বাসিরনা হান্নগী লুচিংবা অদুবু মরাল লৈরে হায়না মমাঙদা চথখিবা হিয়ারিংশিংদা লাউথোকপগা লোয়ননা চৈরাক পীখিবনি। অদুম ওইনমক নৱাজ সরিফকী উকিলনা মখা তানা আপিল তৌরকখিবগী মতুংইন্না ঙসি নৌনা অমুক হিয়ারিং চথখিবনি। কেস অদু অতোপ্পা কোর্ট অমদা থংদোরক্লবা মতুং হিয়ারিং অদু চথখিবনি হায়রি।

# ভিগো ফেষ্টিবেলগী ষ্টেজ নীংখায়বদা ৩০০ শোক্লে

মাদ্রিট, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী):
স্পেন্দা পাঙথোকপা ভিগো ফেষ্টিবেলগী উনা শাবা প্লেটফোর্ম নীংখায়বদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০০ অশোক অপন নংখ্রে। অশোকপশিং অদুগী মনুংদা মীওই মঙাগী ফীভম লুনা লৈরি হায়রি।

স্পেনগী গালিসিয়াগী মনুং চনবা ভিগো সিটিদা পাঙথোকপা ও-মারিস্কুইনোগী নুমীৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা শিনবা ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরমদা মীওই লিশিং কয়া শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শেম-শাখিবা প্লেটফোর্ম নীংখায়রকপদগী মীওই কয়া অশোক অপন নংখ্রে। হকথেংননা উহৌবা মীওইশিংগী মতুংইন্না মীওই কয়া মীপায়বদগী চেন্নবদা খুদোংথিবা কয়া নংখি হায়রি। শোক্লবা মীওই অয়াম্বা চহী নৌরিবা মীওইশিংনি হায়রি।


## PROVISIONAL CERTIFICATE LOST

I have lost my Provisional Certificate, bearing **Registration No. 2803/85** issued by **Assam Nurses', Midwives' And Health Visitors' Council, 1985**, on the way between Thoubal to Imphal on 5th August 2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Khundongbam Mukta Devi**
D/o (L) Kh. Ibobi Singh
Thoubal Kiyam Siphai, Khong Ahanbi
☎ **9383227321**

*HL-P/1983/14*

## HEAVY VEHICLE DRIVING LICENCE LOST

I have lost my Original Heavy Vehicle Driving Licence issued by DTO Imphal East, on the way between Heingang to Sangakpam on 02/08/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Konjengbam Surjit Meitei**
Heingang Mayai Leikai
Thokchom Leikai ☎ **7085627650**

*HL-P/1979/14*

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE PRINCIPAL
## D.M. COLLEGE OF TEACHER EDUCATION, IMPHAL

**NOTICE**

Imphal, the 13th August, 2018


**No. 301/1/09-TE:** It is hereby informed to all the concerned that the result of entrance test for admission to the B.Ed. for the session 2018-19 of D.M. College of Teacher Education, Imphal is declared. List of Candidates selected for Counselling can be had from the College Notice Boards & College website **www.dmcte.co.in.**

*Sd/-* **Dr. H. Ibomcha Sharma**
Principal
D.M. College of Teacher Education, Manipur

*HL-P/1981/14*

Join! Saruk Yabiyu!

We are against the Inhuman Act, AFSPA



14th DEATH ANNIVERSARY OBSERVATION, 2018

To Commemorate the supreme sacrifice of the

ATHOUBA PEBAM CHITTARANJAN MANGANG

"TO EXCEL RIGHT TO LIFE"

on 16th August, Thursday 2018.

Immolated himself on 15th August, 2004 and succumbed to the injuries on 16th August, 2004 against rampant human rights violation under AFSPA in Manipur & Northeast.

➲ Rich Floral tribute at Bishnupur Bazar ➲ Takhellambam Leikai Youth Club Mass Silent Rally from Takhellambam Leikai to THAU Ground ➲ Public Meeting at THAU Ground.

ORGD. BY: THE MANIPURI STUDENTS' FEDERATION (M.S.F.)

*HL-C/82/12,14,15*

## EDUCITY TUTORIALS

SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER

Limited Seats!

Timing:
5:00 am to 7:00 pm
4:30 pm to 7:30 pm

Contact: 9612194500 | 8731977228

## ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018


CLASS - I TO X, CLASS - XI & XII (SCIENCE) (Both CBSE & BOSEM)

* PRINTED STUDY MATERIALS FOR EACH STUDENTS
* PROBABLE SUGGESTIONS
* SPECIAL TEST SERIES
* COUNCELLING WITH PARENTS & STUDENTS
* WELL EXPERIENCE FACULTY MEMBERS
* HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS

FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 800/- Month) CLASS VI TO VIII (Rs. 1000/- Month)
CLASS IX & X (Rs. 2000/- Month) CLASS XI & XII Sc. (Course Fee: 4 Months Rs. 14,500/-)

CLASSES STARTING FROM 12TH & 20TH JUNE, 2018

OUR FACULTIES FOR XI & XII SCIENCE:



FACULTIES FOR CLASS I TO X:
1. Madam Romita Devi (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Miss Premika (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Miss Yaipharambi (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Miss Sonia (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Miss Preety (3 Yrs Experience in Teaching)
6. Miss Melody (3 Yrs Experience in Teaching)
7. Miss Esther (3 Yrs Experience in Teaching)
8. Miss Namity (3 Yrs Experience in Teaching)
9. Miss Nirmala (3 Yrs Experience in Teaching)
10. Miss Mritunjoy (3 Yrs Experience in Teaching)
1. Sir Subhaschandra (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Sir Wanlam (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Sir Apoi (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Sir Chetan (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Sir Bonja (5 Yrs Experience in Teaching)

*HL-B/4742/16/7-14/8*

## ADMISSION OPEN
## ENGLISH COACHING

For
➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]

At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact Nos. ☎ 8974642764

*HL-P/4774/4/8-4/9*

## STUDY MBBS/MD IN ABROAD

* BANGLADESH
* KAZAKHSTAN
* PHILIPPINES
* SOUTH AMERICA
* RUSSIA
* CHINA
* KRYGYSTAN
* GEORGIA
* UKRAINE

PACKAGE STARTS FROM 12 LAC

ADMISSION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE FOR NEET-2019
Class Starts from 1st Week of August
Medical Council of India (MCI) Screening Exam
(FMGE) Coaching Classes will be Starting Shortly
(Available Library Facility with Reading Room After Class Hour)

PLZ Contact : ATAWAR RAHMAN, A.S.EDUCATION TRUST
(JR INTERNATIONAL CONSULTANT)
Khergao Thambalkhong, Near Old Cambridge School, Imphal East, Manipur

BRANCH OFFICE : A.S.EDUCATION TRUST
MINUTHONG, HATTA TELLIPATI, IMPHAL

Contact No: 8974084294, 9435549886
9615706900, 8415930785, 8794249895

*HL-B/4779/6/8-5/9*